## এসেমব্লি মীফম...

*লমায় ১গী মখা...* হেনবনা লাঞ্জেন্নরি। দেমোক্রেসিদদি এসেমব্লি নৎত্রগা পার্লিয়ামেন্ট হায়বসি খ্বাইদগী চাউবা প্লেটফোর্মনি। মসিদা খন্নরগা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি খন্দুনা মীয়াম্নসু তক্লরকপনি। মরম অসিনা নুমিৎ মঙানিগী সেসন মনুংদা নোংমা কাইথোক্লগা অতোপ্পা এজেন্দা য়াওহন্দনা ৱাথোকসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা খন্নরবদি অফবা ওইগনি। অদুবু থবক অসি লৈঙাক্কী খুৎতা লৈরে হায়খি।

সেসন য়াওবা ঙল্লোই হায়রিবা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংসু সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা শরুক য়াহল্লবদি তংদু লৈতাবা হঞ্জিলহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। হন্দক্কী মীফমদদি লাইফ টেলিকাষ্ট তৌহন্নীংই হায়রদুনা কোংগ্রেসনা পুখৎপদা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেন তাল্লিবা কুকি এম এল এশিং অমসুং এস টি লিষ্টকী মতাংসু য়াওগনি হায়খি।

## ‘বেটি বচাও বেটি পড়াও’ ঐখোয়গী শরুক য়াওদ্রে...

*লমায় ১গী মখা...* হকচাংগী মহুৎ পাঙ্গোংনা শিল্লগা কৈদৌনুংদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লোই হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি শগোলবন্দ তেরা তোংব্রম লৈকায়দা লৈবা মশাগী য়ুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়, গভর্ণর অমদি চীফ মিনিষ্টরনা ইচানুপীগী হকচাং ফংনবা থিগনি, হকচাং ফংদ্রিবা ফাওবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিনু হায়রকখিবগী মতুংইন্না ঙসি ফাওবা ঙাইরকখিবনি অদুবু থিরি হায়রগা খজিক্তং ফাওবা ফংনবগী থাজবা লৈরক্তে। মীতৈগী চৎনবীদা মশা ফংদ্রিবা ফাওবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লিংদে। অদুবু থৌরম অসি পাঙথোক্তবনা শাগৈ-নাতৈগী অশি-অনা য়াওনা থৌরম অমত্তা চৎপা য়াদনা ঙসি ফাওবা লৈরক্লি। ইচাগী হকচাং ফংদ্রে হায়দুনা পাঙ্গোংনা শীন্দুনা মথৌ মঙম কৈদৌনুংদা পাঙথোক্লোই। মরমদি পাঙ্গোংনা শিনবা য়াই হায়দুনা সুম লৈথোক্লরকপগী ফীভমদা লাক্কদৌরে।

বেটি বচাও বেটি পড়াও হায়বদু ঐখোয়গীদি য়াওদ্রবরা হংলদুনা নুপী অনী ফি থোংহনখিদে হায়বগী মতাংদদি প্রাইম মিনিষ্টরনা পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাঙলগা থিবা খঙদনা লৈরকখিবা ইচানুপী লৈশাবীগী মতাংদদি ঙসি ফাওবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপীদ্রিবা করিগীনো হংখি।

মীনুংশি লৈতনা ওৎপা য়াবা ওৎলগা হাৎতোকপীখ্রে হায়রিবা ইচাগী ৱাফম অসি থা ৮ শুরবা ফাওবদা করিমত্তা তৌবীদনা অমসুং মশা ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরিবা অসি লাইবক থীবনি। ইচাগী থৌদোক অসি হয়েংদগী হৌগদৌরিবা এসেমব্লি মীফমদা পুথোকপীদুনা মথৌ তাবা সিক্যুরিটি শীজিন্নবীরগা অথুবা মতমদা হকচাং ফংনবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

ইচা লৈখিদবগী চহী ফারকপগী থৌরম তৌদবা য়াদে হায়রবসু মীয়ামগা তান্নরগা তৌগনি। এক্স গ্রেসিয়াগী শেনফম খরগা ইচানুপীগী থৱায়গা কৈদৌনুংদা ওন্নরোই হায়খি।

## পাউ ফোঙদবা-শন্দোক্তবা হায়বসি...

*লমায় ১গী মখা...*অসুপ্পা হকশিং খোঙ্গাওনবনি হায়খি। মীদিয়া হাউসশিংনা মরম খঙহন্দনা নৎত্রগা মাঙজৌননা খঙহনবা তৌদনা পাউ শন্দোকপা লেপ্পগী থবক হকচিন্না লৌই। মীদিয়া হাউসশিংদা খুদোংচাদবা মরম লৈরম্বা য়াই অদুবু মীয়ামদা মাঙজৌননা খঙহনগদবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ওইরবসু, লৈঙাক নত্তবশিংদগী ওইরবসু পাউ ফোঙবদা অথিংবা থম্বগী থৌওং তৌহৈদবা থবক্লি হায়খি।

পাউ ফোঙবা-শন্দোকপদা শোয়খি-লানখিবা য়াওরবসু চুমথোক্লবগী খুদোংচাবা পীগদবনি। মসিগীদমক ‘করিজেন্দম’ গী চৎনবী লৈরিবনি। কাঙলূপ অমনা পাউ অমবু ফোঙউ হায়বা অদুগা অতোপ্পা কাঙলূপ অমনা ফোঙবা য়ারোই হায়না থিংবগী থৌদোক মমাঙদসু থোকখ্রে। অসিগুম্বা থৌওং অসি মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা অমুক হন্না তৌবীগনু হায়না মহাক্না আপীল তৌখি।

নফসাগী মখাদা মীয়ামদা চেঙ কেজি অমদা লুপা ৩দা ফংহনগদবদু কুমসি চহী ২০২৪গী জন্যুৱারী অমদি ফেব্রুৱারী থাগী ওইনা ফংহন্দ্রে। মীয়ামদা য়েন্থোক্কদবা চেঙশিং গোদাউন্দা পৈদুনা লৈবনা মার্চ থাগী চেঙ থম্ফম লৈত্রে হায়বগী পাউ তারে হায়রদুনা হিংবদা তঙাইফদনা চঙলিবা চেঙ অসিবু মীয়ামদা ফংহন্দবা হায়বসি লৈঙাক্না থিংলিব্রা নৎত্রগা নন ষ্টেট এক্টরশিংনা থিংলিব্রা হায়বগী মতাংদা অশেংবা অমা লৈঙাক্না শেংদোকফম থোকই হায়খি।

অমরোমদা, মহৈরোয় লূপ অমগী ওফিসতা বোম পোকখায়দুনা মীশি মীনা থোকখিবা অমসুং মদুগী মতুংদা সী এস ও কয়াগী ওফিসশিং মৈ থাখিবা থৌদোকপুসু মহাক্না হকচিন্না লৌরদুনা পেন্দবা ফোঙদোকখি। চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈগী মথক্তা অতম্ন না লান্দারকপদগী অৱাবা ফীভম মায়োক্লরিঙৈ চৈরক্তা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিনা চফূ কায়রগা ক্কাক্লা হরাওই হায়বা থৌদৌদু থোক্কনি হায়খি।

## শকখঙদবশিংনা ভি দি এফ ২ ফারগা পুখ্রে...

*লমায় ১গী মখা...* থৌদোক অসিগী মায়োক্তা ঙসি তৌপোকপীদা এ অবোনবু তেক্তা কায়দনা থাদোকপীরকউ হায়না নুপীশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে। অপূনবা লূপ তৌপোকপীনা শীন্দুনা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজংদা শরুক য়াখিবী সেক্রেটরি হৈস্নাম ওংবী কিরনবলানা ফোঙদোকখিবদা মহাক ময়ূমগী শুমাংদগী মশক খঙদবা মীওইশিংনা ফারগা পুবীখিবনি। মহাক ইচম চমজবা নুপী অঙাং লৈরবা মীওইনি। মরম অসিনা মহাকপু তেক্তা কায়দনা থাদোকপীরকউ হায়খি।

থৌদোক অদু থোকপা মতমদা লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংসু লৈকায় ঙাক্তুনা লৈরিবনি। মৈরা পায়বী অমদি অপূনবা লূপ তৌপোকপীদা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লস্বসু লৈতে হায়রি।

## ইম্ফাল ইষ্টকী এদিসনেল এস পি...

*লমায় ১গী মখা...* পি অমসুং মহাক্কী এস্কোর্ট পর্সনেল অনী ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা ফূরগা থাদোরকপদগী শোক্তুনা রাজ মেদিসিটিদা লায়কন্নখি। শোক্লবশিংদি এদিসনেল এস পি মশা য়াওনা মহাক্কী এস্কোর্ট পর্সনেলশিং - মালোম তুলিয়াইমদগী খুলেন্বম বিক্রম (৪০), পাইশোই পার্ট টু ময়ায় লৈকায়দগী মৈত্রম প্রসান্ত (৩১) নি হায়রি।

মখোয় অহুমগী মনুংদা এদিসনেল এস পিনা নাতোন অমসুং মায়দা শোকখি অদুগা প্রসান্তসু নাতোন অমসুং মায়দা শোকপগা লোয়ননা বিক্রমদি নাতোন অমসুং মায় য়াওনা থবাক্তা শোকপনি হায়রি। অদুম ওইনমক কে ঐচ বিক্রমদি লায়েংশঙ অসিদা অহান লায়েং পীরবা মতুংদা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

ঙসিগী থৌদোক অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক মরু ওইনা পুলিস দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ওফিসল ওইবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈখিদ্রি। অদুম ওইনমক দিষ্ট্রিক্টশিংদা পোষ্টিং লৈরিবা এম পি এস ওফিসরশিং হৌনদুনা লাল্লুগা লায়েংলিবা এম অমিটকী ফীভম য়েংশিল্লখি হায়রি।

## লোক সভা মীখল-২০২৪...

*লমায় ১গী মখা...* মাঙজৌননা খঙহনখিবগী মতুংইন্না মখোয় মখোয়গী ফূরুপকী প্রসিদেন্টশিংগসু লোয়নরকখি হায়রি।

ঙসিগী মীফম অসিগী মতাংদা য়ু এন সীগী চেরোল অমনা হায়বদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অমসুং মতম অসিগী মতুংইন্না লোক সভাদা নাগা ফূরুপশিংবু মহুৎ শিনবা মীহুৎ অমা থাবগী মরু ওইবা লৈ হায়রদুনা মসিগা মরী লৈননা মীফম অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা ঙসিগী মীফমদা শরুক য়ারখিবা নাগা কেন্দিদেট ওইনীংবশিংগী মনুংদা হৌজিকসু আউটরগী এম পি ওইরিবা ডা. লোরহো এস ফোজে য়াওরি। মহাক অমুক হন্না নাগা পিপলস ফ্রন্টকী টিকেটতা মীরেপ ওইনীংলিবনি। অতোপ্পা ফূরুপ অসিগী কেন্দিদেট ওইনীংবদগী মীফম অসিদা শরুক য়ারখিবশিংনা হান্নগী ইনকম টেক্স লোয়শঙগী প্রিন্সিপাল চীফ কম্মিস্নর কে টিমোথি জিমিক, য়ু এন সীগী হান্নগী প্রসিদেন্ট খো জোন অমসুং এন পি এফকী সেন্ট্রেল ৱার্কিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা হান্নগী এম এল এ সাম্যুএল রিশোংনি হায়রি।

মীফম অসিদা শরুক য়ারখিবা এম পি ডা. লোরহোনা নাগা মীয়ামগীদমক হৌজিক লৈরিবা ইস্যুশিং অসি অরুবনি হায়রদুনা মসিগীদমক কন্না হোৎনবা চঙলি। মহাক্না নাগা মীয়ামগীদমক পায়খৎপা হৌরুবা থবকশিং মপূং ফানা লোইশিন্নীংই হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

লোয়ননা মহাক্কী ফূরুপ অমসুং মীয়ামগীদমক অরৈবা পান্থে পুথোক্তুনা হোৎনখিগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবসু পীখি হায়রি।

পাউ অসিনা হায়বদা আউটর মণিপুরগী সিট অসিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইনীংলিবশিংনা বি জে পি এস টি মোর্চা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লানজাইগাই কামসোন, সোসল এক্টিভিষ্ট ডা. এলিসন অবোনমাই, বি জে পি মণিপুরগী য়ুথ ৱিংগী ভাইস প্রসিদেন্ট সাভৈয়ো খোলেনি হায়রি।

আউটরগী সিট অসিদা মীরেপ ওইনীংবা সোসল ৱার্কর কে ধর্ম্মসিংসু শরুক য়ারখি। অদুম ওইনমক মহাক্তি হৌজিক ফাওবদা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তগী মীওই ওইদ্রি হায়রি।

অতোপ্পা কেন্দিদেট ওইনদি চোংথোক্লিংলগা ঙসিগী মীফম অসিদা শরুক য়াখিদবশিংনা বি জে পিগী ৱার্কর ডা. অদিম পানমৈ অমসুং হান্নগী কোংগ্রেস এম এল এ অলফ্রেন্দ কাঙম এস অর্থরনি হায়রি।

## মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা...

*লমায় ১গী মখা...* এপ্লিকেসন অসি লোঞ্চ তৌরিবগী মরমদি লৈবাক অসিবু দিজিটেলনা মপাঙ্গল হাপ্পবা খুন্নাই অমা ওইহনবগা লোয়ননা শেন্মীৎলোনগী লৌশিং লৈহন্নবনি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্না নেভাগী মখাদা এসেমব্লিদা চে শীজিন্নদনবা মিসন মোদ প্রোজেক্ট ৪৪ পায়খৎনবা খন্দোক্লে হায়খি।

এপ্লিকেসন অসিনা হেন্না মনুং-মপান তুনা উহনবগা লোয়ননা দেমোক্রেসিবু মপাঙ্গল কলহনবদা মতেং পাংলগনি। লেজিসলেচরশিংসু হৌজিক্তি দিজিটেল হাউসশিংদা লৈরক্লগনি হায়রদুনা পান্থে অসিনা শেন্মীৎলোন অমসুং অকোয়বগী ফীভম ফগৎহল্লগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা মিনিষ্ট্রি ওফ পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যেরসকী এদিসনেল সেক্রেটরি অমসুং নেভাগী মিসন লিদর ডা. সৈত্যপ্রকাসসু শরুক য়াখি।

## হোম গার্দশিংবু রুলগী ৱাংমদা ...

*লমায় ১গী মখা...* প্লেটুন কম্মান্দর, সর্জন, সেক্সন লিদর অমসুং এসিষ্টেন্ট সেক্সন লিদরনচিংবগী পোষ্টশিং অসি হোম গার্দ মেম্বরশিংদগী অকক্লবা মশীংদা এপোইন্টমেন্ট পীগদবনি হায়বা ৱাফম মণিপুর হোম গার্দস রুলস, ২০২২গী রুল ১০(২) দা ময়েক শেংনা য়াওদুনা লৈবদগী নবেম্বর ৩, ২০২২দা হোম দিপার্টমেন্টনা মসিগী মতাংদা নোটিফিকেসন অমা (নম্বর ঐচ-৯০১/৭/২০২১-ঐচ দি-ঐচ দি) থোক্তুনা লৈরিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক হৌজিক হোম গার্দ ওর্গনাইজেসনদা লৈরিবা চয়েৎনবা ফীভম অমসুং দিসেম্বর ৬, ২০১৬তা পীখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না শেমখিবা কম্মিটিগী রেকমেন্দেসনশিং নমশিন্দুনা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা হোম গার্দ মেম্বরশিংদগী তোঙান তোঙানবা অনপেদ রেঙ্কশিংদা প্রমোসন পীননবা হোৎনরক্লিবা থৌওং অসি রুলগী ৱাংমদনি হায়রি।

হোম গার্দ ওর্গনাসজেসন অসিবু ষ্ট্রিম লাইন তৌনবগী থবক হৌগৎলক্লিঙৈগী চৈরক্তা হৌখিবা কুমজা ২০০০দগী মরী লৈনবা এক্ট অমসুং রুলশিং য়াওদনা হোম গার্দ মেম্বর কয়া অনপেদকী তোঙান তোঙানবা রেঙ্কশিংদা প্রমোসন পীবগী থৌওং চথখ্রে। থৌওং অসি ওথোরিটিনা হোম গার্দশিংদা শীজিন্নরিবা ‘পেদ’ নৎত্রগা ‘অনপেদ’ হায়বা ৱাহৈশিংসিগী মতাংদা চপ চানা খন্থদবদগীনি হায়রি।

থৌওংশিং অসিনা প্রমোসন পীবা য়ারবা অমসুং মতিক চারবা হোম গার্দ মেম্বর কয়াদা অচৌবা শাফু অমা পীদুনা লাক্লি হায়রি। মরম অসিনা হৌজিক লম্ফেলগী হেদ ক্বার্টরদা লৈবা ষ্টাফ খরনা অনপেদ রেঙ্কতা প্রমোসন পীরগনি হায়না হোম গার্দ মেম্বর খরদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি অরানবা থৌওংনি। হীরম অসিদা এসোসিএসন অসিগা করিগুম্বা মরী অমত্তা লৈনদে হায়রদুনা অসিগুম্বা থৌওং অসি চথহন্দনবগীদমক চীফ সেক্রেটরি, কম্মিস্নর (হোম), দি জি পি অমসুং কম্মান্দেন্টনা মথৌ তাবা থবকশিং অথুবা মতমদা লৌখৎপীদুনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহনবীগনু হায়নসু হায়জখ্রে হায়রি।

GAS NEWS

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO DATE**
Time: 09 am to 12 pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883
**M/S K&K INDANE SERVICE, HOME DELIVERY ONLY**
**BOOKING UPTODATE**
CALL TIMING: 8AM TO 12NOON
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Tiddim line. Mayai Lambi. Imphal East. Singjamei. 9362663937
Tiddim line 87946 84988
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 8787530107 / 8014963395 /9863654574 /9774213728 /9089519886.
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA/8258856407 / 98622 39855 8014963395
KONTHOUJAM A/c 9863201839, / 8014963395
LAMSHANG A/C - 9612493837 / 8014963395
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 11/02/2024
BOOKING UPTO: 14/02/2024
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM (Temporary).
For Home delivery: 9863576002 (SMS only)
Delivery within 7 days
**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto 28-01-24**
Valid from 26-01-24
Only home delivery sarvice
Office no. 9774068549
Home delivery contract no. 8974511936
Message no. 8974511936
Stroke. 306
Time 7.am to 9.am
**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking - 05/02/2024 to 10/02/2024**
Office Contact No.9362654114.
Time 8:30 am to 12:30 pm.
Available 19kg,10kg and 5kg.
URIPOK, LAMSHANG Delivery Boy - Guna Ph.no : 6009936192
KEISHAMTHONG, SINGJAMEI Delivery Boy- Aboy Ph.no: 8414050561
KWAKEITHEL, MALOM Delivery Boy- Chittaranjan ph.no-85756987
KEISHAMPAT Delivery Boy- Anand ph.no: 9089364355
NAGAMAPAL,THANGMEI-BAND, CHINGMEIRONG Delivery Boy- Sagar ph.no:8798303493
WANGKHEI, KHURAI, SAMUROU Delivery Boy-Bringkingson ph.no:7629857123
SAGOLBAND MOIRANG LEIRAK, TERA, PATSOI Delivery Boy - Somorjit ph.no: 7005316328
WAHENGBAM LEIKAI, SALAM LEIKAI Delivery Boy-Jiten ph. no : 9856506500
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 11/02/2024
**BOOKING UPTO: 14/02/2024**
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM (Temporary).
For Home delivery: 9863576002 (SMS only)
Delivery within 7 days

The Four Pillars Coaching Institute
Empowering Aspirants
A complete guidance for all competitive exams
UPSC, MPSC, SSC - CGL, CPO, CHSL, MTS, SBI, IBPS, RRB - PO, CLERICAL, RAILWAYS, INSURANCE, CSAT, TET, CTET, CDS, CPF, LIC, Government and PSU jobs etc.
Grab the opportunity to learn from the top faculties of Manipur
Congratulations Dear Aspirants !!!

SBI CLERK MAINS 2024
10 DAYS FREE REVISION COURSE
- Course Starting From 19th February, 2024 | 2:00 pm to 4:30 pm
- General Awareness/ Banking Awareness Class
- 10 Practice Set Questions | Short-Cut Tips & Mains Strategy
- 5 Mock Tests Specially designed for the Mains

Contact : 7005755924 9862697900

GENERAL FOUNDATION COURSE
For SSC, Bank and Other Exams.
- Duration Of Course - 7+ Months
- Afternoon Shift : 2:00 pm to 4:00 pm | 19th Feb, 2024
- Morning Shift : 8:15 am to 10:15 am | 22nd Feb, 2024

MATHS SPECIAL COURSE
For SSC, Bank and other Exams.
- Duration Of Course - 7 Months
- Noon Shift : 11:00 am to 1:00 pm | 15th Feb, 2024

Hostel and Rent Facilities for Both Gents & Ladies
* Get Registered at our Office for 5 Free Demonstration Classes
For Queries: 7005755924, 9862697900 OFFICE ADDRESS : SAGOLBAND MOIRANG LEIRAK MACHIN.
HL-P-9642/18-29/1-18march

SENIOR OFFICER
Enjoy life long in banking career
Kind attention to the candidates who wish to apply as Relationship Manager at leading nationalised bank under Government of India
Qualification : Any Graduate
Age : Below 25 years
Salary : Starting 22,000/- to 40,000/- (with P.F. gratuity Medication Bonus, etc.)
Vacancy : 25
Posting : Manipur & Guwahati
Walk in-date :05-03-24
For more details, please contact:
HRC Hodam Leirak Opp. Tiddim Oil Pump, Imphal
8787735485 9402938178
HL-P/8590/27,28,29

ꯁꯤꯡꯃꯤ / Document Lost
I have lost my Original Admit Card and Marksheet of HSLC Examination 2020 bearing Roll No. 21657 issued by BOSEM on the way between Sagolband and Keishampat on 23rd Feb. 2024. Finders are requested to handover the same to the undersigned.
Sd/- Chaoton Wangkhemcha
Sagolband Thangjam Leikai
# 7627973135
HL-P/8592/28

Document Lost
I have lost my Original Marksheet and Certificate of Class X bearing Roll No. 8757 of 1999, Class XII bearing Roll No. 18419 of 2001 and B.Sc bearing Roll No. 220521 of 2004 issued by BOSEM, COHSEM and Manipur University respectively on the way between Oinam Sawombung Leikai and Imphal on 20/02/2024. Finders are requested to handover the same to the undersigned.
Sd/- Yumnam Victoria
Oinam Sawombung Imphal Barrage
# 8416038746 / 9612862799
HL-P/9759/28

EMPLOYMENT NEWS

| SL.NO. | NAME OF THE POST | QUALIFICATION | AGE | SALARY |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Security | VII | Upto 45 | 7,000 - 13,000 |
| 2 | Helper (Delhi) | - | 30 - 50 | 15,000 |
| 3 | Loan Officer | X/XII | Upto 35 | 6,500 - 10,000 |
| 4 | Cargo Loader (Airport) | X/XII | Upto 26 | 11,500 & Above |
| 5 | Front Sales Executive (Airport) | XII | Upto 27 | 16,000 - 20,000 |
| 6 | Lounge Associate (Airport) | XII | Upto 27 | 17,000 & Above |
| 7 | Customer Service Associate (Airport) | XII | Upto 27 | 18,000 - 22,000 |
| 8 | Guest Relation Executive (Airport) | XII | Upto 27 | 17,000 - 20,000 |
| 9 | Account Opening Staff (Axis Bank) | GRADUATE | Upto 29 | 18,000 & Above |
| 10 | Business Development Executive (Axis Bank) | GRADUATE | Upto 29 | 18,000 - 20,000 |
| 11 | Sales Officer (Axis Bank) | GRADUATE | Upto 29 | 18,500 22,000 |
| 12 | Value Banker (ICICI Bank) | GRADUATE | Upto 26 | 20,000 -25,000 |
| 13 | Relationship Manager (ICICI Bank) | GRADUATE | Upto 26 | 22,000 - Above |

Last Dt. of Form Submission : 06/03/24
Dt. of Interview : 07/03/24
# 7005947474
EFEC
Wahengbam Leikai
Near Hotel Bheigo
Kaidongfam Building
HL-P/9063/26,28,1,2,3,5

N.V.S.
M/S BHUBON & LEIREN BRICK FIELD
Kakching Lamdong

| CLASS | RATE PER Brick |
|---|---|
| 1st Class | 14.2 |
| 2nd Class | 13.2 |
| 1st Reject | 12.5 |
| Reject | 11.5 |
| Jamat | 11.5 |
| Ist PT | 12.3 |
| 2nd PT | 10.5 |
| 3rd/Grd 1 | 8 |
| 3rd/Grd 2 | 6.5 |

1st/Chektek 1 Load 407 Canter : 5,500
3rd/Chektek 1 Load 407 Canter : 3,000
Office Cont. No :
8618055934, 9378107273, 9383152946
* Transport Charge Extra.
N.B : (koyla & singna mei eekpa quality leiba laxmi & dayal gi brick animak fangbigani)
HL-B/8588/25-29/1-10march

ইখ্নোল য়োঞ্জরি
কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মনিংদা 50x40 পাক চাওবা ইখ্নোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। পাম্বীবশিংনা মখাগী No. অসিদা Contact তৌবীয়ু।
HL-P/9732/26,28, 1st march
Contact : 9774175917

Notice
It is hereby informed to all the members of the North Imphal Social Development Organisation, Khabam that a general body meeting will be held on 3/3/2024 at 8 a.m. at the residence of the Secretary.
Agenda :- 1) Election of new office bearer. 2) Misc.
Sd/- N. Thangal
Ex-Secretary, NISDO, Khabam
HL-P/9749/28

অৱাবা ফোঙদোকচবা

Socio Economic Empowerment Finance, মীয়াম্না SEEF হায়না খঙনবা ওর্গনাইজেসন অসিগী ফিল্ড ষ্টাফ ওইবিরম্বা Shri Nakambam Jekendra Singh, শেঞ্জম চিরাং মমাং লৈকায়দা লৈবীরম্বা ষ্টাফ অসিনা ইখঙ খঙহৌদনা মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবদা SEEF কী ষ্টাফশিংনা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকচরি।
মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা ওর্গনাইজেসন অসিগীদমক্তা ফিল্ডগী লম্দা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্মী। মসিগা ইরোয়ননা ওর্গনাইজেসনদা মরু ওইনা ফিল্ডগী লম্দা অচৌবা অহোবা অমা লৈহৌরগনি।
লৈখিদ্রবা মহাক্কী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না পোত্থাবা ওইহনবীয়ু হায়দুনা তাইবঙ শেন্বা মপুগী মফমদা থৌনিজরি। লোয়ননা লৈহৌরিবা মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।
ফোঙদোকচরিবশিং : SEEF FAMILY
HL-P/9756/28

INNOVEGIC GLOBAL INSTITUTE
Recognised by MCA, Govt. of India

INSTRUCTOR BITAM LAISHRAM
INSTRUCTOR CARIE ANN CHARTIER (USA) MA LINGUISTIC (TESL)
INSTRUCTOR L. RANJAN SINGH
INSTRUCTOR SURESH LAISHRAM
AVIATION COURSE @ Rs. 20K/- till Selection
SPOKEN ENGLISH/HINDI
COMPUTER
NIELIT
7:30am, 9:00am,10:30am, 2:00pm, 3:30pm.
* Conditions apply
ADMISSION OPEN
NEW FRESH CLASSES COMMENCE
On 5th February, 2024
# 6009048058
OLD LAMBULANE, OPP. GP WOMEN'S COLLEGE, GLOBAL SPOKEN BUILDING 2ND FLOOR
HL-B/8348/2,4,6,8,10

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE for CLASS-IX & X (BOSEM)
Class Commencing on 25th Jan. 2024
4:10pm to 7:30pm

1st POSITION Laishram Rahul
18TH POSITION Chingakham Italy Meitei
19TH POSITION Thouchom Payal Chanu
1. Sir Kamlakanta, 15 Yrs. of teaching experienced (Phy.)
2. Sir Surjakanta, Former Teacher: Heritage Convent (Phy.)
3. Sir Arungobind, Bethel Eng. Hr. Sec. School (Bio.)
4. Sir Sanjoy, 7 Yrs. of teaching experienced M.D. (Chem.)
5. Sir Robindro, R.M. School (M.I.L.)
6. Sir Satyajit, Tiny Tot's Unique School (History)
7. Sir Amarjit, Heritage Convent (Geo.)
8. Sir Nilamani, 20 Yrs. of teaching experienced (Geo.)
9. Sir Brajamani, 20 Yrs. of teaching experienced (Civics)
10. Maam Victoria, Former Teacher: Tiny Tot's Unique (Civics)
11. Sir Gajeshwor, Heritage Convent (Maths.)
12. Sir Premananda, Regular Eng. High School (Maths.)
13. Sir Shyam, Former Teacher: R.M. School (Maths)
14. Sir Dhiren, Regular Eng. High School (Eng.)
15. Sir Thomas, Heritage Convent (Eng.)
Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College (3:00pm-7:30pm)
8413855751 7085521821
HL-B/8555/16